সব-জুনিয়র এন এফ সী চেম্পিয়নশিপ

মনিপুরনা কেরলাবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা সব-জুনিয়র বোইজ নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি মণিপুর অমসুং কেরলাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা লাকচনা কেরলাবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইবা ঙমখ্রে।

বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৫ শুবা মিনটতা মণিপুরগী লাইশ্রম মহেশনা টিম অদুগী অমদি মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা মখা তানা মেটচ অদুগী ১০ অমসুং ১৬ শুবা মিনটতা মণিপুরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু খুথৈফম কুক্তার রেহমন অমসুং লাইশ্রম মহেশনা অমমম্ চনখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কেরলাগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মণিপুরনা কেরলাদগী পাঞ্জল ৩-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা কেরলাগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা হান্নদগী হেন্না য়াম্না কন্না শান্নরকখি। মদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা হাফকী হৌগৎলকপা ৪৭ শুবা মিনটতা কেরলাগী আদিদেব জয়েসনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

অমরোমদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মখা তানা পাঞ্জল অমা অমুক চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ৬৬ শুবা মিনটতা লাইশ্রম মহেশনা চনখিবনি। মেটচ অসিগী ওইনা মহেশনা পাঞ্জল অহুম চন্দুনা হেটট্রিক ফংবা ঙমখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা কেরলাগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু মণিপুরনা পাঞ্জল ৪-১ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা মণিপুরনা গুজরাৎকা লম্বা তৌনগনি।

নেসনল রিমেন্স কোচিং কেম্পকীদমক হোক্কী ইন্দিয়ানা মীওই ৩৩ গী মমিং লাউথোকখ্রে

বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

রিমেন্স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমনা শেম শাবা ওইনা হয়েংদগী হৌরগা বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল রিমেন্স কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক হোক্কী ইন্দিয়ানা ঙসি শান্নরোয় ৩৩ গী মমিং লাউথোকখ্রে।

হোক্কী ইন্দিয়া অমসুং বিহার লৈঙাক অনীনা খুৎশম্নরগা লেমজ নিঙাই ওইরবা টুর্নামেন্ট অসি হন্দক্তা নৌনা শাখিবা রাজগির হোক্কী ষ্টদিয়মদা চহী অসিগী নভেম্বর থাগী ১১ দগী হৌরগা ২০ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম অসিনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ হোক্কী প্রো লীগ ২০২৩/২৪ সিজনগী ওইনা লন্দন অমসুং এন্টৱর্পতা অজেন্টিনা, বেলজিয়ম, জর্মনি অমদি গ্রেট বৃটেননচিংবা লৈবাকশিংগা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবনি। এফ আই ঐচ হোক্কী প্রো লীগ কী ওইনা চীফ কোচ হরেন্দ্র সিংহগী মীৎয়েং মখাদা কেপ্টেন সলিমা তেতে অমসুং ভাইস কেপ্টেন নভনিট কোরনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমনা মখোয়গী ফজবা পর্ফোমেন্সশিং মপুঙ ফানা উথোকপা ঙমখি।

অমরোমদা, হয়েংদগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল রিমেন্স কেম্প অসি রিমেন্স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী শেম শানবগী অহানবা য়াম্না লুবা খোঙথাং অমনি হায়না ইন্দিয়ন রিমেন্স হোক্কী টিমগী হেদ কোচ হরেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি ঙসি হোক্কী ইন্দিয়ানা নেসনল রিমেন্স কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক মমিং লাউথোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোল কিপ্পরশিংদা সভিতা, বিচু খারিবম, বনসারি সোলানকি, মধুরি কিন্দো; দিফেন্দরশিংদা নিকি প্রধান, উদিতা, ইশিকা চৌধরি, মোনিকা, রোপনি কুমারি, মহিমা চৌধরি, জ্যোতি ছাত্রি, প্রিতি; মিদফিল্ডরশিংদা সলিমা তেতে, মরিনা লালরমঙাকি, বৈস্নবি বিথল ফালকে, নেহা জ্যোতি, ইদুলা জ্যোতি, বালজিৎ কোর, মনিসা চৌহান, অকশাতা অবাসো ধেকালে, অজমিনা কুজুর; ফোর্ৱাদশিংদা সুনেলিতা তোপ্পো, মুমতাজ খান, লালরেমসিয়ামি, সঙ্গিতা কুমারী, দিপিকা, শর্মিলা দেবি, নভনিত কোর, দিপিকা সোরেং, প্রীতি দুবে, ভন্দনা কাতারিয়া অমসুং রুতুজা দদাসো পিসালনি।

[illegible]

[illegible]

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা সাউথহেম্পটন থোইখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

ইংলেন্দদা হৌজিক চথরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ওইনা ঙসি মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং সাউথহেম্পটনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা সাউথহেম্পটন মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৭ ওইখিবা মতমদা সাউথহেম্পটননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৩ ওইখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌরগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মেটচ অদুগী ৩৫ অমসুং ৪১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু টিম অদুগী শান্নরোয় মেথিস দে লিজিট অমসুং মার্কস রাসফোর্দনা অমমম্ চনখিবনি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মখা তানা অদুম্মক বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৭৯শুবা মিনটতা সাউথহেম্পটনগী শান্নরোয় জেক ষ্টেফেন্স রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। মী ৱাৎপা অমদি বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌরগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখিবনি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1247

L. Schrocker - Gideon Stahlberg
Santiago Santiago de Chile, 1946

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nc3 Bb4 4.e3 O-O
5.Bd3 Nc6 6.Nge2 d5 7.O-O dxc4 8.Bxc4 e5
9.d5 Ne7 10.e4 Ng6 11.Qc2 Nh5 12.a3 Bd6
13.Be3 Nhf4 14.Kh1 Nh4 15.Nxf4 exf4 16.Bd4 f3
17.g3 Ng6 18.Nb5 Bh3 19.Rfe1...

QUESTION : Black to checkmate

Puzzle 1246 Solution :

41. Rd6+ The white rook attacks Black's king, which is defending the square f7. **Kf5 42. Rf7+ Kg4 43. Rxd3 Qxd3 44. Bh3+ Kh5 45. Rxh7#** Highstriker mate
1-0



Title : Tortoise
By : Thoithoiba
Class : I Roll No. : 26 Sec. : C
School : Ramakrishna Mission School



Title : Bucket - Flower Pot
By : Thadoi Wairokpam
Class : I Roll No. : 26 Sec. :
School : Maichou Khongnangthaba Maheikol



Title : Spiderman
By : Ahensana Keisham
Class : KG Roll No. : 24 Sec. : Waterlily
School : R.M. School



Title : Moba Legend Chou Kof
By : Pebam Athoiba Meitei
Class : II Roll No. : 19 Sec : B
School : Premier English Academy



Title : Titan T.V. Man
By : Bharat Khangembam
Class : K.G. Roll No. : 7 Sec. : Siroi Lily
School :



Title : National Flag
By : Laihanba Ngasam
Class : KG Roll No. : 23 Sec :
School : Success School, Salanthong



Title : Save Water, Save Earth
By : Lamnganbi Ngasam
Class : VII Roll No. : 25 Sec. :
School : Tiny Tots' Unique School, Dewlahland



Title : Zohakuten
By : Wangkheirakpam Lanleima
Class : III Roll No. : 53 Sec. :
School : Wangkhei High School



Title : Flowers
By : Leishilembi
Class : Nursery Roll No. : 21 Sec. :
School : S.V. Getwell School



Title : Flowers
By : Lingjel Ningthoujam
Class : KG II Roll No. : 31 Sec. : A
School : Padma Ratna Eng. School, Kakching



Title : Barbie
By : Lairenjam Loidang Devi
Class : IV Roll No. : 1 Sec. :
School : Kakyai Primary School, Kakyai



Title : School Bus
By : Takhelmayum Ningthem
Class : I Roll No. : 23 Sec. :
School : Friendship Educational Academy



Title : School Bus
By : Loukrakpam Punshiba Singh
Class : I Roll No. : 20 Sec. :
School : Friendship Educational Academy



Title : Scenery
By : Punshiba Wahengbam
Class: I Roll No. : Sec. : A
School : Atom Special Academy



Title : Monitor
By : Salainganba
Class : II Roll No. : 3 Sec. :
School : S.V. Getwell School, Haotal, Pangei



Title : Manipur Map
By : Sanbiriya Rajkumari
Class : III Roll No. : 2 Sec. :
School : The Evergreen Flower's School, Thoubal



Title : Shirui Lily
By : Khoidongbam Shak-hensana Mangang
Class : III Roll No. : 21 Sec. :
School : Lamjing Meira Maheikol Wangjing



Title : School Bus
By : Laishram Thoithoi Devi
Class : I Roll No. : 13 Sec. :
School : Friendship Educational Academy, Khurai



Title : Scenery
By : Valentina Pebam
Class: IV Roll No. : 71 Sec. : D
School : Catholic School, Canchipur



Title : A Parrot Bird
By : Yaiphabi Ningthoujam
Class : STD-I Roll No. : 3 Sec. : A
School : Padma Ratna Eng. School, Kakching

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com